# মণিপুরী ফিল্মগী তাঙলবা লনগৈ অমা ওইরিবা শক্লাইরবা দিরেক্টর, এক্টর অমদি ম্যুজিক দিরেক্টর ওকেন অমাকচম

- *নানি*

মী অমনা মাগী পুন্সিদা পান্মী হায়দুনসু থবক মরোং মরোং তৌবদা থোইদোক্লা মায় পাক্কন্দে। পামজবদুনা য়ারক্তে, খঙবা হৈবা অমসু মথৌ তাই। খঙদনা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে। করিগুম্বা তৌরবসু মদু তুং কোইবা অমদি মায় পাকপা পাক ঙমদে। নস্ফুসু থোক্তে। অদুম্নমক্তি ওইরগা, মীশক খরদদি, মহাক্কী পুন্সিদা আর্টস হায়বা অসিবু য়ৌনা পামজবনা, মশাবু মৈ ইক্তুনা পামজরিবা হীরম অদুদা মায় পাক্লবা হোৎনজবা খরদি লৈ। পংয়াম য়াম্না খুৎ থেকনিংঙাই লৈত্রবসু, মী অমনা অমা পুবদা ৱারবদা অহুম মরি তুনা মায় পাকপা খরদি লৈ। মদুগী মনুংদা ওকেন অমাকচমসু অমনি।

ওকেন অমাকচম, ঈশৈ পাম্না হৌরকই। অদুনা মহাক ঈশৈ বেসিক্তগী হৌনা তম্লকখি। তম্লকপা অদুনে, মশাগী হোৎনজবনে, ঈশৈ শকপা শুর পানবা নীংথিনা হৈ। এক্টিংগী লমদসু অদু মঙাই, পামজৈ হায়দুনসু মফম চানা লৈদুনা পামজ রিবা লম অদুদা চঙশিন্নবা মায়কৈদি পাক ফংবা ঙমখিদে। নীংবু নীংলবদি থোক্লবা অমা লাকই হায়বদুমক মঙোন্দা থোকখি। কোলেজগী মতমদা **চাক্লাম খোঙচৎ** হায়বা এমসুগী দ্রামা অমা ওগষ্ট ২৭তা হেক হেক পাঙথোক্লম্বা অদুদা য়াওনবগী তাঞ্জা ফংলখি। য়াওরখি। মদুনা মহাক্কী পামজবা অদুগী ময়োল চোংবা হৌখি। অদুগী মখা তারকপদা, ইষ্টর্ন ফোরৱার্দ ঠিএটর, অয়াংপল্লিদা লৈবা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা ওজা কাংঙবম বিরবাবুগী লমজিং মখাদা অথোকপম তোমচৌগী **অমংবা নোং** হায়বা প্লে অসিদগী ঠিএটরদা চপ চানা লম্বী য়াৎতুনা চঙশিনবা হৌরকখি। মথংদা লৈখিদ্রবা ওজা জি সী তোংব্রাগী সোসাইটি ঠিএটরদা মতেক অমা অমদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদসু মতেক খরা য়াওরকখি। লৈখিদ্রবা ওজা হৈস্নাম কহ্নাইলালগী কলাক্ষেত্রদা চহী অনীমুক য়াওরম্মী। মথংদা লৈখিদ্রবা ওজা সনাখ্যা ইবোতোম্বীগী অভান্ট গার্দ, কৈশাম্পাৎতা য়াওদুনা ঠিএটরগী অহেনবা লৌশিং কয়া ওজাদগী তম্লকখি। হৌজিক্লা জুবেনাইল ঠিএটরগী দিরেক্টর অমা ওইন লৈরি। হৌজিক্তি মশাগী দিরেক্সন মখাদা প্লে কয়া লেপ্তুনা পুথোক্তুনা ষ্টেট মনুং অমদি মপানদা পাঙথোকপা ঠিএটর ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়ারি।

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা য়ুমলিংদুনা লৈরিবা, ওকেন অমাকচম মীয়াম্না হেন্না মশক খঙখিবদি ফিল্মদগীনি। ওজা সনাখ্যা ইবোতোম্বীগী মনাক্তা লৈরিঙৈদা মতমদুদা ওজাগী ফিল্ম **''ইচে শখি''** হায়বা অসি নম্নবগী কন্না লাংখৎলকপা মতম ওইখি। মসিদা ওজা ওকেনবু ফিল্মসিদা কুম্বা য়াগনি খন্দুনা রোল অমা পীবীদুনা ইহান হানবা ওইনা ফিল্মদা খোঙ থাংজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। ওজাগী মনাক্তা লৈরিঙৈদা ফিল্মগী লৌশিংসি ফনা নীংথিজনা তানশিনখি। স্ক্রিনপ্লে ইবগী, দাইলোগ শেন্বগী, লাইটিং সিষ্টম, কেমেরাগী লেংগ্বেজনচিংবদগী হৌরগা ফিল্ম মশক কাঙলোন কয়া অসিদি ওজাদগী তমজরকখিবনি। ওজা ইবোতোম্বীসি ময়াম্না ঠিএটরগী পর্সোনেলিটি অমা ওইনা খঙনরবসু ঠিএটরগী লমদসু নীংথিজনা মমুৎ তানা খঙবা মীশক অমা ওইখিবনি। সিগী মতুংদগীদি ওকেন অমাকচম ভিদিও ফিল্ম খরদা য়াম্না মায় পাক্লা, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা এক্টর অমা ওইনা মথং মথং কুম্বা হৌরকখি। কুমখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা- **অশিবা থৱায়গী মমি, অদুঙৈগী মশান্নগুম** নচিংবা মমিং পনবা য়াই। ইহান হানবা ওইনা ভিদিও ফিল্মদা দিরেক্টর অমা ওইনা খুৎ থাবা হৌরকখিবদি- পি কে ফিল্মগী **উরিৎ নাপংবী** হায়বা অসিদগী হৌখি। সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম খরদসু দিরেক্টর ওইনা খুৎ থারকখি- খোন্থাং, মায়োফিগী মচা, অরোইবা বিদাই, চৈনা, দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ওইনা **ইনকার্নেসন ওফ ঠিএটর** হায়বা ওজা কহ্নাইলালগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা অমসু নমখি। য়াম্না নুংঙাইরিবা মহাক্কী ফিল্ম খোঙচৎ অসিদি মায় পাকপা ঙাক্তা ওইখি। **খোন্থাং** ফিল্ম অসি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল



ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই)গী পনোরামা সেক্সনগীদমক খনগৎখি। **মায়োফিগী মচা** ফিল্ম অসিসু নেসনল এৱার্দকী বেষ্ট ফিল্ম ফংখি। **অরোইবা বিদাই** অমদি **চৈনা** অমদি দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অহুম অসিসু ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট ফিল্ম খক্তা নত্তনা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনাসু ফংখি। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইরিবনা, ওকেন অমাকচমনা ম্যুজিক দিরেক্টর অমা ওইনা মায় লৈশিল্লকখিবা অসিনি। সেল্ল্যুলোইদ ফিল্মগী মতমদগী হৌনা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইনা **লাইবক** হায়বা ফিল্ম অসিদগী মহাক্কী ম্যুজিক দিরেক্টর ওইবগী একাউন্ট হাঙবা হৌরকখি। মহাক্কী অহানবা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইরিবা ফিল্ম **লাইবক** অসিসু অচৌবা চেলেঞ্জ অমা ওইখি। মরমদি ফিল্ম অসিগী ঈশৈ খরদি মপানগী মমিং লৈরবা সিঙ্গরশিংনা শক্কদবা ওইবনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনদবা য়াদবা অমা ওইখি। ফিল্ম অসিগী ঈশৈশিং অসি বোম্বেদা চৎলগা রেকোর্দিং তৌখি। মসিদা মমিং লৈরবা সিঙ্গর- কুমার সানু অমদি প্রিয়া ভট্টচার্য্যা অনীনা শকখি। সিগী মতুংদগীদি সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম **চৈনা** দসু ম্যুজিক দিরেক্টর অমদি ফিল্মগী দিরেক্টর ওইদুনা পুথোরকখি। সিগী মতুংদগীদি মণিপুরদা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম ইরাগী অরোইবা ফিজং হায়থখ্রে।

অনৌবা মণিপুরী সিনেমাগী মপোক অমগা লোয়ননা দিজিটেল ফিল্ম হায়বা অসি থোরকপা হৌরকখি। ইহান হানবা ওইনা সিনেমা হোলশিংদা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌরগা কাপখিবা কংলা ফিল্মসনা **''লাম্মৈ''** হায়বা ভিদিও ফিল্ম অসিসু ওকেন অমাকচমনা দিরেক্সন পীদুনা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা পুথোকখিবনি। সিগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা দিজিটেল ফিল্মগী অচৌবা খোঙচৎ অমা হৌখিবনি। দিজিটেল ফিল্মশিংদসু ওকেন অমাকচমনা দিরেক্সন পীদুনা ফিল্ম মখল মখা কয়া অমা পুথোরকখি। লোয়ননা মহাক্কী ফিল্ম খূদিংমকশিং অসিগী ম্যুজিক দিরেক্টরসু ওইখি। মমিং লৈরবা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তান্নখিবা ঈশৈ কয়া কম্পোজ তৌখি, হৌজিকসু মীয়াম্না পাম্না তান্নরিবনি। **লাম্মৈ, থাজবগী ৱাংমদা, নঙতনা হেল্লি, তেলঙ্গা মমৈ** নচিংবা ফিল্ম কয়া ঙসিসু মীয়াম্না নীংশিংনরি। মণিপুরী কলচরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা, অনৌবা হৌরক্লিবা নহাশিংবু মখোঙ নীংথিনা শোন্বীবা, অনৌবা এক্টর কয়া পুথোক্লবা হোৎনদুনা মহাক্কী অনৌবা প্রোজেক্টশিংদা অনৌবা মায়থোং কয়া পুথোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনজবা মহাক্কী অনৌবা মখুৎতগী অনৌবা মমিং লৈরবা এক্টর, দিরেক্টর, কেমেরামেন, এদিটর অমদি ফিল্মগা মরী লৈনবা পর্সনেলিটি কয়া পুথোকখ্রে। মখোয় মখোয়গী মফমশিং ফংনখ্রে। মসিগীদমক লমদম অসিগী ফিল্ম ফ্রেটর্নিটিনা মহাক্কী মীৎয়েং অমদি মহাক্কী থৌদাং অসিবু শীংথাফম থোকই।

থবক তৌবদা হালেংদবা, মোং হাদবা, য়াম্না ঈংনা তপ্না তিন য়োৎ য়োৎতুনা থবক তৌবা হায়বসি ওকেন অমাকচমগী হৈনবীনি। মসিদা লোয়নদুনা লৈরবনি চেকশিনবা। থবক খূদিংমক চেকশিনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মণিপুরী ফিল্মগী হৌখিবা, ওইরিবা অমদি তুংলমচৎকীদমক অখন্নবা থৌরাংশিং খন্ন-নৈনরকপদা মহাক চিংখদনা য়াওরি। অনৌবা সজেসন কয়া পুথোক্তুনা সিন পাঙলি। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী বোর্দ মেম্বর কয়ারক হন্না ওইদুনা মণিপুরী ফিল্মবু মায়কৈ চুম্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাংসু পাঙলি।

লুশিল্লক্লিবদি, হৌজিক অসি ফিল্মগী মায়কৈরোমদা য়েংবদা, মণিপুরী ফিল্ম হৌরকপদগী শাগোন্নরকপা চহী লৈশিল্লবা অহল-লমনশিং অসি অয়াম্বনা থুপখ্রবনি। লৈহৌরিবা খরখক অসি নত্তনা ফিল্মগী ওইবা ৱারী শিংবুন অমা লিরকপদা মপুং ফানা লিবা ঙম্বা লৈশিল্লত্ত্রবনি। ওকেন অমাকচম অমদি মহাক্কী লোন্দাদা লৈরিবা খরা অসি নত্তনা ফিল্মগী ওইবা কথোক্তুনা লাক্লবা মীওইশিং অসি মশীং থিবদা য়ামশিল্লক্ত্রে। অদুনা ফিল্মগী ওইবা নৈনরকপা, অমদি অতৈ থৌরম কয়া পাংবদা মখোয়শিং অসি অখন্নবা মীওই ওইনা য়াওহন্দুনা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিদা অরিবা পাওদমগা লোয়ননা মখোয়গী শাংলবা এক্সপরিয়েন্সতা থেংনরকখিবা কয়াগী ৱারী ৱাখোংশিং মুন্না তাহৌবা হায়বসি তঙাইফদে। অদুনা হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নহাশিংনা মখোয় মখোয়গী থৌরমশিংদা মীয়াই চনশিন্দুনা চহী লৈশিল্লক্লবশিংবু নাথৈদুনা থম্বগী মওং অমা উরিবা অসি তোক্তুনা মখোয়বুসু হীরম কয়াদা শরুক য়াহনবা হায়বসি তুংলমচৎকী অশেংবা ফিল্মগী মশক অমা শাগৎপদা মচাক কয়া ফংগনি হায়বা অসি থমজগে।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ০৫ । ০৯ । ২০২১ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক্কী পুং ৮.২২ ফাওবা থৱানগী ২৮ নি পাল্লি, মতুং ২৯ নি পানগনি।**

মেষ: হুরানবনা নরলদা মীতাবা অমদি নচা ননাইগী লমদা পুক্নিং ৱাবদি লৈগনি। নোল্লুক্লা চৎপা অমদি পুক্নিং ফাথনা চৎচরদি কনানসু লাকচবা ঙম্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

বৃষ: মরুপ মপাং কায়নবা য়াবা লৈরসু ঈংথরদি অমদি নোল্লুক্লা চৎচরদি কায়নরোই। নঙগী ওইবা মীশিংগী মতেং ফংবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী-লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: য়েৎনবা অমদি অফা অপুন নংবা য়াবা খরদি লৈগনি অদুবু হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, ঙাংবা শকপদা মীনা থাগৎপীগনি অমদি লন ফংজগনি, তপথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: হরাওবা, হকচাং নুংঙাইবা লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি মীচঙ খোম্বদা মায় পাকচবা নুমীৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, য়েৎনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

সিংহ: হেন্না খুৎ চাওগনু অমদি মরম চাদনা অনম তানগনু। অনীংবা থবক মীয়ামগী মতেংনা লায়না পাঙগনি অমদি মীয়ামগা অফবা মরী লৈগনি, ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কন্যা: শেন্দোং ফংগনি, মীচঙ ফংগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি, অদুনা মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা ফরে খনবা থবক্তো পাঙহৌরো। ৱাফংনবদি তৌগনু, চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা: থবক পাঙগনি, নীংবা থুংগনি, মীচঙ হেনগৎকনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা মীকোক থোংগনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা অমদি মীতোপ লোয়নবদি পাঙদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা।

বৃশ্চিক: হেন্না আশা চাওবা মীপাইবদুম নঙগনি অমদি মীৱা থাজরবা কিবা পোক্কনি। ইমুং-মনুংগী ৱা লৌবা, মীয়াম্না য়ানবা চৎপা অমদি ইচঙ থৌবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙনিংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।


ধনু: শক চু থোকপা ৱাৎকনি, নোল্লুক্লা চৎলু। মতাং চাদে হোয়া ফগনু। অদুবু থৌনা হন্দবনা শেল চঙগনি অমদি নচা-ননাই হেনগৎকনি। মীংচৎসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: নীংবা থুংগনি, চিংনবা লৈতনা লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাহৌরো, শোয়দনা শেন্দোং চাওনা ফংলনি। ৱা ঙাংবা, খাঙবা কনবা অমদি শাওদবদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ: লাইবক ফৈ, মীচঙ লৈ অমদি অনৌবা থবক পাঙহৌবা কান্নগনি। অদুবু হুরানবনা মরুপ কায়নহনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি, খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিন: লম চৎপা অমদি অনৌবা মরুপ্তগী কান্নবা ফংজগনি। হেন্না আশা চাওরম্বদি চরাংনরদি মাঙগনি অমদি মীয়াম্না ৱারৌবা লৈ কাওগনু। নিংহন্নদবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




মচা : বাবা টোটিগী ঈশিং অসি কদাইদগী লাকপনো?
মপা : তুরেলদগী লাকপনি।
মচা : তুরেল য়েংবা পুবিয়ু।
মপানা মচা অদুবু তুরেল য়েংবা পুবিদুনা তরেল য়েংহল্লি। তুরেল য়েংলিঙৈদা মচানুপানা মপা অদু তরেলদা ইন্থরল্লগা চেল্লক্তুনা মমাদা ইমা টোটি থারগা য়েংউ বাবা থোক্লক্লগনি ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

দুকান মপু : করি লৈদোইনো হায়বিয়ু।
তোম্বা : ঐগী নুপীনা লোয়বা হুইনা চানবা কেক পাম্বনি।
দুকান মপু : শিদা চাদোইরা নৎত্রগা পেকিং তৌরগা পীয়ুরা ...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

অকবরনা বিরবলদা ৱাহং অহুম হংই। অদুবু ৱাহং অহুম অদুগী পাউখুম চপ মান্ননা পীগদবনি হায় -
১) শঙ্গোম করিগী পাথরিবনো?
২) এঞ্জাং করিগী কারিবনো?
৩) পাখঙ-লৈশাবিশিংনা নুমিদাং করিগী থেংনা তুল্লিবনো?
বিরবলনা ৱাহং অহুম অসিগী পাউখুম অমত্তা ওইনা পী।
"মোইবাইলদা চেটিং তৌনবগীনি"

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

য়ূ থকপা মরুপ অনী গাড়ি থৌদুনা চৎলম্মী।
মতম অদুদা মরুপ অমনা লাউরকই - ভাই-ভাই মাংদা গাড়ি ময়াম অমা লৈরে হায়না-হায়না গাড়ি অদু থৌজিল্লম্মী।
নোংঙাল্লগা হোস্পিটালদা ভাই করিগীনো নঙনা গাড়ি লৈ-লৈ হায়না গাড়ি থৌজিল্লিদুবু করিগীনো?
অনীশুবা মরুপ : য়াইয়ে ইবুংঙো নঙসু গাড়িনা নঙনা থৌরগা...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কালেনগী মতমনি মোংফম অমগী মথক্তা নুপী অমা ফমদুনা লৈরম্মী।
নুপা : কীদ্রা ইবেম্মা নঙ নথন্তা মোংফম মথক্তা ফল্লিদুবু ?
নুপী : করি তৌবগী কীদৌরিনো... মোংফম মনুংদা য়াম্না শাদুনা মথক্তা কাখৎলগা ফল্লিনে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

পুলিস ওইবা নুপা অমগী য়ূমদা হুরানবশিংনা নুমীদাংদা পোৎচৈ হুরানবা হৌরক্লম্মী।
নুপী : তামো, তামো, থুনা হৌগৎলো য়ূমদা হুরানবশিংনা পোৎচৈ হুরাল্লে।
মপুরোইবা : ঐ য়াম্না তুমনিংলি, তুম্বা থুগায়রক্কনু হৌজিক ঐগী দ্যুটিগী মতম নত্তে...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

সোনু-মোনু পোকমিন্নবা মচিন-মনাও ক্লাস অমত্তদা তম্মিনৈ।
মেদাম : করিগীনো নখোয় অনীনা নপাগী মমিং মান্ননা ইদ্রিদো?
সোনু : চপ মান্ননা ইরদি মেদামনা নোট তৌই হায়রক্কদৌরি নৎত্রা?

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title : Ice-Cream and Tree
By : Vinson Moirangthem (Mangal)
Class : Nursery
School : Rohini Kids Garden Academy




Title : Balloon
By : Asem Lanchanbi Devi
Class : Pre Nursery Sec: A Roll : 19
School : Vision Kid.




Title : Owl
By : Asem Paikhomba
Class : I Sec : B Roll : 5
School : St. Joseph's Hr. Sec. School




Title : Teacher's Day
By : S. Sushma Devi
Class : V Sec : A Roll : 22
School : St. John's English High School, Nambol




Title : Lotus
By : Chinganbam Priyathoi Devi
Class : III Sec : A Roll : 5
School : Hikalol Laisu Shang Lamdeng



Title : Scenery
By : Columbus
Class : IV Roll :
School : Hikalol Lamdeng School




Title : A Bird
By : Elangbam Lingjenthoibi Chanu
Class : III Sec : A Roll : 9
School : Holy Cross School



Title : A Soidier
By : Elangbam Rishikanta
Class : IV Sec : A Roll : 34
School : Eureka Academy Thounaojam



Title : Flower
By : Henthoisana Chongtham
Class : KG
School : RM School, Kwakeithel Heinou khongnembi



Title : Apple
By : Korounganba Chongtham
Class : III
School : The Comprehensive School, Oinam




Title : Shirt
By : Lanthoibi Chongtham
Class : KG
School : The Comprehensive School, Oinam



Title : Umbrella
By : MM Sufiyam
Class : Nursery Roll : 4
School : Little Angels Academy



Title : Spiderman
By : Nandeibam Khwaihenba Meitei
Class : KG
School : Kidzee



Title : A Bird
By : Thoihen Yumnam
Sec: III Sec : A Roll : 31
School : Air Force School, Gwalior (MP)



Title : Kiwi
By : Yaiphabi Chongtham
Class : KG Roll : 26
School : RM School, Kwakeithel Heinou khongnembi



Title : A Running Horse
By : Yohenba Chongtham
Class : III Roll : 34
School :RM School, Kwakeithel Heinou khongnembi

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।